য়াইফ পাউজেল

ইম্ফাল, মে ২৬ : মুস্লিম লাইনিং চৎপশিংগী চাকহেন থানা লাকপদা মাহুদকী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী থৌ পুরিবা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা মুস্লিম ইচিন-ইনাও খুদিংমক্তা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। য়াইফ পাউজেল পীরদুনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা হায়, রামজান থানা লাকপদা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপচাশিংগী মরক্তা হেন্না নুংশি চান্নবা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিনবা ওইরসনু। চাকহেন থা অসিদা মপু মহাক্কী য়াথংবু ঙাক্না চৎতুনা পুম্নমক্কী য়াইফবা ওইরসনু অমদি ফৎত্রবা খুদিংমক থাদোক্তুনা অফবা খুন্নাই অমা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

থোঙ থিংজিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ : জিরিবামগী হোস্পিটালগী অৱাৎ-অপা কয়া য়েংশিনবীয়ু হায়বা দিমান্দদা লমদম অদোমগী মীয়াম্না মতম কত্তুনা হোস্পিটাল থিংজিনখ্রে। হোস্পিটাল থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওই কয়ানা ফোঙদোরকপদা, কুম্জা ২০১৬ দা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টরনা শঙ্গাদুনা জিরি মীয়ামদা হোস্পিটাল শীন্নরম্বদা নুংঙাইবা পোক্লখি। লাইবক থীবদি হোস্পিটাল অমা ওইবগী ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং ফংলক্তবদগী জিরি মীয়াম্না লৈঙাক্কী মথক্তা পেল্লক্তবনি। জিরি মীয়াম্বু করিসু খঙদবা অমদি করিসু তৌরকপা ঙল্লোই হায়বগী মতাগুম চথরকপা থৌওংদগী শাউরকপনি।

পার্সনেল ১৬...

লামায় ১গী মখা... বেল পীবিনবা হায়জরকখিবা পার্সনেল ১৬ অসিগী মনুংদা এম আরগী রাইফলমেন পোৎশংবম চাউবা, রাইফলমেন কপাই য়াইরুইখাই অমসুং রাইফলমেন এম দি তাহির অলিনা লুপা লিশিং ১০/১০ গী পি আর বোন্দ ৱিঠ সিওরিটিদা থাদোকখি। অদুগা অতোপ্পা পার্সনেল ১৩ হায়বদি ৮শুবা এম আরগী হাবিল্ডার মৈনম সান্তা, হাবিল্ডার থৌনাউজম লক্সমোহোন, হাবিল্ডার এম দি মহিরুদ্দিন, হাবিল্ডার থিঙুজম চন্দ্রমোহোন, রাইফলমেন টি ঐচ সুমন্তা সিংহ, রাইফলমেন ময়েংবম ব্রোজেন্দ্রো, রাইফলমেন হুইরোম সুরদাস, রাইফলমেন লাইশ্রম থোই, রাইফলমেন ক্ষেত্রিময়ুম রোবার্ট, ৫শুবা এম আরগী রাইফলমেন এম দি অব্দুল মজিদ খান, রাইফলমেন দিমচুইঙম কামশোন, রাইফলমেন অহানবা এম আরগী রাইফলমেন নহাকপম রোকি অমসুং রাইফলমেন এন অঙো মৈতৈনা লুপা লিশিং ৫০/৫০ গী পি আর বোন্দ ৱিঠ সিওরিটিদা থাদোকখিবনি হায়রি।

মখা তানা বেল পীখ্রবা পার্সনেলশিং অসি লাক্লিবা জুন ৯ দা কোর্ট অসিদা কারক্কদবনি হায়নসু খঙহনখি হায়রি।

GAS TODAY

HRANGCHAL GAS AGENCY
OLD LAMBULANE
Booking Upto:08/03/2017
Valid From: 07/03/2017
Stk :306
Timing: 07:30am - 10:30am
(Aadhaar link consumers only)

IMPHAL LPG SERVICE
SL. NO. 60180
Booking Upto:31/03/2017
Valid From: 20/03/2017
Stk:306

JEMON GAS SERVICE
MAYANG IMPHAL
SL. NO. 2498
Booking Upto:01/03/2017
Valid From: 02/01/2017
Stk:612 (CTC)
Timing:07:00am - 09:30am

KHORIPHABA,NAMBOL
Booking Upto:09/03/2017
Valid From: 08/03/2017
Stk:306 (CTC)
Timing: 07:00am - 09:30am

MM GAS SERVICE
Booking Upto:22/03/2017
Valid From: 20/03/2017
Stk:306 (DBTL)
Timing:07:00am - 10:00am

MAIBIA GAS MOIRANG
Sl. No. 4450
Booking Upto:09/03/2017
Valid From: 07/03/2017
Stk:306
Timing:07:00am - 11:00am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto:07/03/2017
Valid From: 05/03/2017
Stk:306 (DBTL)
Timing: 07:30am - 09:30am

MANIPUR POLICE GAS
Booking Upto:19/02/2017
Valid From: 16/02/2017
Stk:306 (CTC & DNSC)
Timing: 10:00am - 01:00pm

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto:22/03/2017
Valid From: 08/03/2017
Stk:612
Timing: 07:30am - 11:00am

KHUMBONG INDANE
Booking Upto:31/03/2017
Valid From: 27/03/2017
Stk:306 (CTC)
Timing: 07:30am - 10:30am

HIYANGTHANG INDANE
SL.NO.: 2940
Booking Upto:01/04/2017
Valid From: 22/03/2017
Stk:306 (CTC)
Timing: 07:00am - 10:00am

লোয়াঙম্বদা টি দি সীনা লুপা ৫০,০০০ তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) :

কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা চহীসিগী টুয়েল্ব এগজামগী কম্মর্স ষ্ট্রিমদা মরিশুবা পোজিসন তারকখ্রবা লায়রবা ইমুংদগী ৱানা মহৈ তম্লকখিবা থৌনাওজম লোয়াঙম্বদা ট্রান্সপোর্টরস এন্দ দ্রাইভর কাউন্সিল (টি দি সী)না লুপা ৫০,০০০গী শেলগী তেংবাং পীখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কৈবী খুল্লেম মখা লৈকায়দা লৈবা লোয়াঙম্বগী য়ুমদা ঙসি টি দি সীগী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎনা লুচিংবা টিম অমনা চৎতুনা শেলগী তেংবাং অদু খুৎশিন্নখি।

শেলগী তেংবাং খুৎশিন্নবা লোইরবা তুংদা ৱা ঙাঙলদুনা টি দি সীগী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎনা হায়খি, থৌনাওজম লোয়াঙম্বগী তুংগী পুন্সিদা হেন্না মায় পাকপা পুরকপা ঙম্নবগী পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা শেলগী তেংবাং অসি পীবনি। মহৈরোয় অসিনা কন্না মহৈ-মশিনগী লম্দা হোৎনজদুনা টুয়েল্ব এগজামদা মরিশুবা পোজিসন ফংলকখিবা অসি পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওই। মহৈরোয় অসিনা হোৎনখিবা কয়া অদুবু শকখঙবা অমদি মহাক্কী মহৈ-মশিন তম্বদা খরদা ওইরবসু মতেং পাংনবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা তেংবাং অসি পীবনি।

মমাঙদসু টি দি সীনা মীওই কয়াদা মতেং পাংদুনা লাকখি। লোয়াঙম্বনা ৱানা হোৎনজদুনা মীথোই-মীহেল্লকখিবগী পাউ তাবদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। মহৈরোয় অসিনা মখা তানা মহৈ তমথবদসু মায় পাক্লক্কনি হায়বগী থাজবা চাওনা লৈ। মহৈ তম্বদা পূক্লিং চঙবা অসিগুম্বা মহৈরোয় অসিদা ঐখোয়না মতেং পাংবীবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহৈরোয় থৌনাওজম লোয়াঙম্বনা ফোঙদোকখিবদা, মহৈ-মশিন তম্বগী লম্দা য়াম্না ৱানা হোৎনরকখি। পীক্লিঙৈ মতমদগী মহৈ-মশিন তম্নবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরকখি। ইমুং-মনুংগী শেল-থুমগী ফীভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা লাইরিক তম্বা ঙমদবদগী চহী অমরোম দ্রোপ তৌদুনা লৈবা তাঙ্কক অমসু লৈখি। ৱানা মহৈ তম্লকপগা লোয়ননা হৌজিক টুয়েল্ব ক্লাস এগজামদা মরিশুবা পোজিসন তারক্লে। শেলগী তেংবাং পীবীরক্লিবা অমদি মতেং পাংবীরক্লিবা কয়া অসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। তুংগী পুন্সিদসু হেন্না ফবা ওইবা ঙম্নবা হোৎনগে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পার্লিয়ামেন্টতা ৱাফম অমত্তা পুখৎতবা লাইবক থীবনি : প্রহলাদ

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী এম পি অনীনা পার্লিয়ামেন্টতা ৱাফম অমত্তা পুখৎখিদবসি লাইবক থীবনি হায়না বি জে পিগী নেসনল সেক্রেটরি ওইরিবা এম পি প্রহলাদ সিংহ পটেলনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট সমেলন হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা মোদি-মেকর ওফ দিভলপ ইন্দিয়া, ফেষ্টিবেল টু সেলেব্রেট গভর্ণমেন্ট'স থার্দ এনিভর্সরিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট সমেলন ঙসি হৈরোক পার্ট-১ উমং লাইকোনদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রহলাদ সিংহ পটেলনা ফোঙদোকখিবদা, মোদি গভর্ণমেন্টনা চহী ৩ ফারকপা অসিদা মণিপুরগী বি জে পিগী ৱার্করশিংনা পীরিবা খুদোলগীদমক চাউথোকচৈ। চহী ৩ অসি মণিপুরগী প্রভারি অমা ওইনা লৈরকপা অসিদা পার্লিয়ামেন্টতা মণিপুরগী ইস্যুশিং বন্দ, ব্লোকেদনচিংবশিং পুখৎপগী তাঞ্জা ফংখি।

মণিপুরদগী কারকপা এম পি অনীনা পার্লিয়ামেন্টতা ষ্টেট অসিগী ইস্যুশিং, চুড়াচান্দপুরগী থৌদোক ব্লোকেদনচিংবশিং অমত্তা পুখৎনবগী তাঞ্জা লৌরক্তবা অসি লাইবক থীবনি। হৌজিক্তি ভবানন্দসু এম পি অমা ওইনা লাক্লবনিনা মণিপুরগী ইস্যুশিং পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা খঙহন্নবগী তাঞ্জা ফংলগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট এল দেবেন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ভবানন্দ, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এম হেমন্ত, ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি এন নিম্বস, ট্রেজরর রোবিন ব্লেক্কি, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ইন-চার্জ ওইরিবা ষ্টেট সেক্রেটরি তেজকুমার, মহিলা মোর্চা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এন সুনিতিবালা অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা এ সীশিংদা মীরেপ ওইখিবা কেনিদদেটশিংসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

মতম চানা ওফিস কানবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংনা মতম চানা ওফিস কাগদবনি হায়না চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বরনা থোকপা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা হায়রি।

ওফিস মেমোরেন্দম অদুনা পল্লিবা মপুং ওইবা ৱাফমদি, লৈঙাক্কী ওফিসশিংগী ষ্টাফশিংনা মতম চানা ওফিস কানবা ইন্সট্রক্সন কয়া পীবা লৈখ্রে। মণিপুর সেক্রেটরিয়েটতা মেন্যুএল ওইনা এটেন্দেন্স লৌরম্বা অদুগী মহুৎতা বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্স সিষ্টেম হৌদোকখ্রে। সেক্রেটরিয়েট ষ্টাফশিং বাইওমেট্রিক এনরোলমেন্ট লৌবা হৌখ্রে।

এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরিশিং য়াওনা ওফিসরশিংসু বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্স লৌগদবনি। লৈঙাক্কী থবক তৌরিবশিংনা মথৌদা কখোক্কদবনি। চাং নাইনা থেংনা ওফিস কাবগী হৈনবী লৈবা ইমপ্লোয়ীশিং দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎলক্কনি হায়নসু মখা তারি।

মপানগী মহৈরোয়শিংসু মণিপুরদা...

লামায় ১গী মখা... মহৈ তম্নবা হোৎনবদা মহৈরোয় অদুখক নত্তনা মমা-মপা ওইবশিংদসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মমিং লৈরবা ইন্সটিট্যুট কয়াগী মীওইশিংনা মণিপুরদা লাক্লগা কাউন্সেল্লিং পীবগী প্রোগ্রাম পাঙথোক্লিবা অসি লমদম অসিগী ওইনা অফবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কাউন্সেল্লিং অমসুং এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা আই বি এস দি, তাকয়েলগী দিরেক্টর প্রো. দিনবন্ধু শাহুনা হায়খি, অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা অফবা ইন্সটিট্যুসনশিংদা মহৈ তম্নবগীদমক এদমিসন তৌননবা হোৎনবদা মহৈরোয়শিংখক নত্তনা মমা-মপা ওইবশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লে। এদমিসনগী মতমদা মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপা ওইবশিংনা মাঙজৌননা করি তৌবা য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়বদু খঙবা চঙই। মসিগীদমক অসিগুম্লবা লেম্না কাউন্সেল্লিং পীবগী থবক অসি পায়খৎপনি। মখা তানসু তোঙান-তোঙানবা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা অসিগুম্বা মখলগী প্রোগ্রাম অসি পাঙথোক্লনবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি। ফ্রী কাউন্সেল্লিং এন্দ এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অদুদা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী শকখঙলবা এদ্যুকেস্নিষ্ট অদিত্যা নরায়ন মিশ্রা, দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী প্রো. প্রকাশ নরায়ন, মিরান্দা হাউস দিল্লিগী প্রিন্সিপাল ডা. প্রতিভা জোলি, ভেনকটেশ্বারা কোলেজ দিল্লিগী প্রিন্সিপাল, ডা. পি হেমলতা, কলিন্দি কোলেজগী ডা. এম অরুঞ্জিৎ অমসুং রামজাস কোলেজগী ডা. এম ওজিৎনা দিল্লিগী য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লমদমসিগী মহৈরোয়শিংনা মতৌ করম্না এদমিসন তৌবা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা শুগায়বা ৱারোলশিং থমখি। লেম্না কাউন্সেল্লিং পীবগী থৌরম অদুদা হন্দক্তা লাউথোকখিবা চহীসিগী কোসেমনা লৌবা ক্লাস টুৱেল্ব এগজামদা পাস তৌরক্লবা মহৈরোয় ৫০০ রোম্না শরুক য়াখি।

মোরে রোমদগী পুশিল্লকপা হীদাক মনাগী...

লামায় ১গী মখা... তাবদগী চথুখিবা দ্রাইব অদুনা কংলাতোংবী কৈথেলগী অকোয়বদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা দুকানশিংদা মীওইবগী হকচাং শোকহনবা য়াবা মওংদা শাশিন্নবা ব্রান্দশিংগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়োনব্রা হায়বা য়েংশিনখি। মসিদসু নত্তনা টিম অসিনা তোঙান-তোঙানবা অচা-অথক্কী পোৎলমশিং য়োনবা হোটেলশিংসু ফূদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দার্দ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না চলাইরিবরা হায়বদু য়েংশিনখি।

মদুদা হোটেল খরা হাইজিনিক ওইবা মওংদা অমদি সেনিটরিগী ফীভমশিং নিংথিনা লৈহন্ননবা হোটেল মপুশিংদা নোটিস ইস্যু তৌখি। মসিগীসু মথক্তা হোটেল মপুশিংনা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি অপীবা মতমগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্লনবা খঙহল্লমখি। করিগুম্বা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্তবা তারবদি চৈরাক ফংবতা নত্তনা লুপা লাখ ২ ফাওবা ফাইন থিহনবা য়াই হায়বসি খঙহল্লমখি।

তুংদা কংলাতোংবী কৈথেলগী অকোয়বদা হৈ-রা য়োনবশিংনা সেম য়োনবদা মশক মতৌ ফজহন্নবা ৱেক্স শিজিন্নবরা হায়বসু য়েংশিনখি।

এম জি এভিন্যুদগী মাঙখিবা মীওই থৌরী...

লামায় ১গী মখা... লৈরম্লে। প্রিয়োকুমার শকখঙদবা মীওই খরনা মফম অদুদা পুশিল্লগা ওৎ-নৈবা য়াবা নৈরবা তুংদা হাৎলগা কোন্না থৌরী য়ানশিল্লগা থল্লম্বনি হায়না লৌবগা লোয়ননা মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাগনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম চীফ মিনিষ্টরগী গেটতা হৈঙাং মায়কৈগী মীয়াম থোমজিল্লকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর গুৱাহাটিদা চৎখিবনা মরম ওইরদুনা মীয়াম অদুগী মীহুৎ খরগা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হোম) ডা. জে সুরেশ বাবুগা উনদুনা ৱারী শানখি। ৱারী শানবা অদুদা মরাল লৈবা মীওই নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা পুথোক্কদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা চেন্নবা মীওই ফাদ্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লৌরোই হায়নসু ফোঙদোক্লমখি হায়রি। প্রিয়োকুমার থিবা খঙখিদবা অমসুং মহাক্না তোংখিবা গাড়ী এম জি এভিন্যুদগী ফংখিবগী মতাংদা মতম চানা পুলিসতা পাউ পীরবসু পুলিস ষ্টেসনশিং অমগা-অমগা পাউ ফাওদোক্নবা ৱাৎপদগী মতম চানা লংলা-লংজিন পুথোকপা ঙমখিদে হায়না মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্লখি।

HL-B/3888/27

ওন্নখিবা

হৌখিবা তাং ২৫/০৫/২০১৭ এদিসনদা পাউচে অসিগী লমায় অহুমদা ফোঙখিবা 'য়ুম শিদোকপা য়ারোই: কম্মিটি' হায়বা হেদলাইনগী পাউদা ফয়েং শিংলুপ হায়খিবদু কাংচুপ খরং শিংলুপ হায়গদবনি অমসুং মসিদা কম্মিটি অসিগী চেয়রমেন ওইবা এ তোম্বা হায়খিবদু এদভাইজর এ তোম্বা হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

এদিটর

ঈ পি আর আই এস হায়বসিদা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর রিমোট সেন্সিং এপ্লিকেসন্স সেন্টর (মার্সাক)না শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেবেল ৱার্কশোপ 'এম্পাৱরিং পঞ্চায়টি রাজ ইন্সটিট্যুসন্স স্পেসেল্লি (ঈ পি আর আই এস)' হায়বা থিমদা ঙসি শঞ্জেন্থোংদা লৈবা ষ্টেট গেষ্ট হাউসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা ডা. এন রন্ধির দিরেক্টর মার্সাকনা হায়খি, হৌজিক্কী মতম অসিদি সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী কান্নবশিং সেটলাইটকী মতেংনা দিজিটেল অমদি মোবাইল খুথাংদা মীয়ামদা করম্না খঙহনগদগে হায়বসি য়াম্না মরু ওইরে। হৌজিক্কী মতমদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসি ফিল্ডদা চত্তনা টেবলদা থবক তৌবা য়াররোই।

ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্টনা পীরিবা স্কিমশিং অসি সেক্টর ২৯ লৈ। মসিদা রোদ, বিল্ডিং, ৱাটর, ফিসরিজনচিংবা য়াওরি। পুখ্রি লৈজদবা অমনা পুখ্রি তৌরবা মতুংদা মদু মোবাইল ফোন্দা নম্লগা থাগৎতুনা থবক অদু তৌখি নৎত্রগা তৌদে হায়বা অদু য়াম্না লায়না খঙবা ঙম্লগনি। স্কিমশিং অসি রুরেলগী ওইনা পঞ্চায়টনা অমসুং অর্বানগী ওইনা আই এম সীকী মখাদা পায়খৎকনি।

থৌরম অদুদা নোর্থ ইষ্ট স্পেস এপ্লিকেসন সেন্টরগী সাইন্টিষ্টশিং অমদি দিপার্টমেন্ট অসিগী অখঙ অহৈ কয়াসু শরুক য়াখি।

জেনিমসতা কেন্সর হোস্পিটাল ১ লিংলগনি...

লামায় ১গী মখা... ষ্টেট অসিদা দেন্টেল কোলেজ অমা লিংখৎপগী অয়াবা অথুবা মতমদা ফংলগনি। লৈঙাক অসিগী নুমিৎ ১০০ নিগী প্রোগ্রামদা হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী ট্রান্সফর অমদি পোষ্টিংগী থৌরাং, জেনিমসতা ওপরেসন থিয়েটর নৌনা শাবা অমসুং ফূদ সেফটি য়াওনা অনৌবা থৌরাং ৫ য়াওরি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা হেল্ঠ সার্ভিসেস অমসুং ষ্টেট মিসন দিরেক্টর ডা. করাম লোকেন্দ্রোনা হায়খি, হকশেলগী লম্দা মীয়াম্না থল্লিবা মীৎয়েং হৌজিক্তি হোংলক্লে। ষ্টেট অসিদা মীরোনবী মমা শিবগী চাং হন্থরক্লবসু হার্টকা মরী লৈনবা অতৈ লায়নাশিংদি লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। থন্মোয়গী লায়না অসি হান্নদি অহল ওইরম্বা মীওইশিংদতা নাবা থেংনরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি লায়না অসি নহা ওইরিবা মীওইশিংদসু নারক্লে। হৌজিক্কী মতমদা লায়েংবদা কা হেন্না শেল চঙবগী মওং লাক্লিবসি থিংননবা থবক পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈরে।

অনীশুবা সেসন ওইনা পাঙথোকখিবা মীফমদা হেল্ঠ দিপার্টমেন্টকী মমিং লৈরবা দোক্টর কয়ানা নেসনল হেল্ঠ মিসনগী মখাদা পায়খৎকদবা স্কিমশিংগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। দোক্টরশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু এদিটরশিং অমসুং পাউমীশিংগা ৱাহং-পাউখুম তৌনখি। চীংগী অমদি লম্বী-থোংগী খুদোংচাবা লৈতবা মফমদা লৈবা মীরোনবীশিংনা অঙাং উনবদা হেন্না শাফননবা করি থবক লৌখৎলিবগে হায়বগী মতাংদসু হেল্ঠ দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর অমদি দিপার্টমেন্ট অসিগী জোইন্ট দিরেক্টরশিং য়াওনা মতিক চাবা পাউখুম কয়ামরুম পীখি।

লম্বী লৈতবা খুঙ্গংগী নুপীশিংগী অনা-লায়েংনবা শগাই শাদুনা পুথোরকপা মীওইদা শেল পীবা অমসুং কাংখোঙ অনীগী এঞ্জিন পানবা গাড়ীসু এম্বুলেন্স ওইনা শীজিন্নবা য়াব্রা হায়বা পাউমীশিংগী ৱাফম দিরেক্টরনা য়েংশিনগনি হায়না ফোঙদোকখি। হেল্ঠ দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং পাউচেগী এদিটর অমদি রিপোর্টর কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম অদু ষ্টেট হেল্ঠ সোসাইটি, নেসনল হেল্ঠ মিসন মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

CAS Medical
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
Registration Open
ADVANCED
REGULAR MEDICAL COURSE
FOR NEET(U.G.)-2018
FIRST BATCH
Registration Starts:- 13 May, 2017
Last Date of Registration :- 31st May, 2017
Class Commencing from :- 1st June, 2017
For Details Please Contact:-
CAS, Office, Main Building, Keishampat Junction (Office Hour -5.00 am - 7.30 pm)
& New Building, Opposite Keishampat C.C. Pur Parking(Office Hour:10.30am - 3.30 pm)
Separate Hostels for BOYS and GIRLS Available.
HL-B/3883/25M-24June

NATION TAX MARKET
[illegible]
INVITING ALL THE TRADERS / TAX PAYERS FOR
AWARNESS CAMPAIGN ON GOODS & SERVICE-TAX
Organised by: Central Excise & Service Tax, North Eastern Region, Shillong Zone
Central Board of Excise & Customs, Govt. of India
In Association with: Department of Taxes, Govt. of Manipur
Date: 29th May, 2017 Time: 10:30 am venue: MSFDS Auditorium, Palace Compound, Imphal

অমাকসুগী ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) :

ওল মণিপুর আর্টস এন্দ কলচর ষ্টুদেন্টসু য়ুনিয়ন(অমাকসু)গী ১৮শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভাইস চেঞ্চেলর প্রো. নাওরেম খাগেন্দ্র, প্রসিদেন্ট ওইনা অমাকসুগী প্রসিদেন্ট ঐচ শ্যামকুমার শর্ম্মা অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পি ঐচ গুনচন্দ্র শর্ম্মনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী মপোক কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা অমাকসুগী প্রসিদেন্ট ঐচ শ্যামকুমার শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি মণিপুরদা কলা সংস্কৃতি অমদি জগোই-ঈশৈ তৌরিবা খরখক নত্তনা দিসিপ্লিন অমদি মোরেলগী লম্বী অসি নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লক্লে। মরম অদুনা মণিপুর লৈরিবা জগোই-ঈশৈ তৌরিবা পুনশিন্দুনা খুন্নাই অসি অচুম্বা অমদি অফবা লম্বীদা চৎমিন্নবা হোৎনরি। অসিগুম্বা খুন্নাইবা অফবা লম্বীদা লমজিংনবা হোৎনরিবা কলা সংস্কৃতিদা কখোক্তুনা লৈরিবা ওজা-গুরুশিংবুদি লৈঙাক্না ঙসি ফাওবা মতিক চাবা ফিদা অমা পীদে।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীদুনা প্রো. নাওরেম খাগেন্দ্রনা হায়খি, মণিপুর অসি আর্ট এন্দ কলচরদা ইনাক খুনবা লম অমনি হায়নরিবনি। মণিপুর থিয়েটর অমা ওইরিবা শুমাং লীলাসু খুন্নাইগী অশোয়বা শেমদোক্নবা হোৎনদুনা অশেংবা খঙহন্নবা মিদিয়ম অমা ওইরি। রতন থিয়াম অমসুং লৈখিদ্রবা কহ্নইলাল অনীনা থিয়েটরগী লমদা মালেম অসিদা মণিপুরবু মশক তাক্লি। অদুবু কলচর অসিবু এপ্রিসিয়েট তৌবীবা ঙম্বা মীশিংদি য়ামদে। অদুবু লম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা নীংবা হনবা তৌবীগনু। অনৌবা লৈঙাক অমা লাক্লিবসিনা কলচরগী লমদা থবক তৌরিবশিংবু মতেং পাংবীগনি হায়বা থাজে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কলচরগী লমদা থবক তৌরম্বদগী অহল ওইদুনা পোথাখ্রবা ওজাশিংবু লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দনচিংবা পীনবা হোৎনবদা অমাকসুনা অচৌবা থৌদাং লৌহন্নিংই।

গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোল পীরদুনা পি ঐচ গুনচন্দ্র শর্ম্মনা হায়খি, লমদম অসিগী শোকচিল্লম্বা কলচরেল আইদেন্টিটি অসি য়ুনিয়ন অসিনা কন্নবা হোৎনবীয়ু। মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী কলচরগী কোনুংনি হায়নরিবনি। অদুবু ঐখোয়গী কলচর অসি করি ফীভমদা লৈরি হায়বসি নৈনবা মথৌ তাই।

ঙসিগী মপোক কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা পদ্মশ্রী, সঙ্গীত নাটক একাদেমি, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী এৱার্দীশিংদসু সোল অমদি মেমেন্টো অমমম পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

ডা. নরনা এন দি এ লৈঙাকপু কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) :

ইরাবত ভবনদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) ষ্টেট কাউন্সীলগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ষ্টেট সেক্রেটরি কমরেদ ডা. এম নরনা নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা চহী ৩ পাল্লকপবু কন্দেম তৌখ্রে।

মহাক্না পাউমীশিংদা হায়খি, ঙসি লৈবাক অসিগী লৌমী-শিন্মী মীয়াম অসিগী চহী ৩গী মনুংদা ঈচাউ অমদি ঈকং থোক্তুনা অৱাবা থেংনরিবা সাউথ ষ্টেট কয়াগী লৌমীশিংদা পীফম থোকপা কম্পেন্সেসনগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা নৈনবা মমি তাদে। মখোয়না থবক পীগনি হায়না ৱাশকখিবা অদুগী শরুক অহুম থোকপগী অমা ফাওবা পায়কৎপা উদে।

ঙসিদি লৈবাক অসিদা কাঙলূপ, ফুরূপ নাইবগী থৌওং অমা লাক্লিবসি বি জে পিনা পানবা ষ্টেটশিংদা এন্তি-মাইনোরিটি, এন্তি-দলিত ওইবা থবক থৌরম কয়া তৌরকপদগীনি হায়বসি মীপুম খূদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। লাইনিং লাইশোনগী মিংদা নাক্পাক তরক্নবা, ষণ হাৎপা অমসুং চাবা য়াদবগী লো চৎনহন্নবা হোৎনরকপা অসি অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক অসিনা ইনাক খুনবশিংবু য়োকখত্তুনা নিও-লিবরেল ইকনমিক পোলিসি অমা শেমগৎলি। অমরোমদা চিন্দনা লৌমী-শিন্মীগী শেন্থোক দৱল ওইহনগনি হায়রগা প্রাইভেটাইজেসন তৌদুনা শেঞ্জাও পায়বশিংগী লৈঙাক অমা পুরক্লি। মীয়ামগী পূক্লিং হুনবা স্লোগান কয়া 'মেক ইন ইন্দিয়া'গী মিংদা ঙসিদি মালেমগী শেঞ্জাও পায়বা কয়া পুশিল্লক্তুনা ফোরেন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্টকী মখাদা রেলৱে, দিফেন্স ফাওবা প্রাইভেটাইজেসন তৌনবা হোৎনরক্লি।

বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এ লৈঙাক অসিগী চহী ৩ শুবগী মায় পাকপগী থৌরম কয়া পাঙথোকচরবসু মীয়াম্না মফম মফমশিংদা নেসনল ফূদ সিক্যুরিটিগী মতাংদা চরাংনবা ৱাথোক কয়া থেংনরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

কেক্রুপাৎতা ফ্যুচর এক্টরশিং য়াওনা সোসল সার্বিস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬: ওল মণিপুর ফিল্ম মেকর এন্দ প্রোদ্যুসর এসোসিএসননা শীন্দুনা লূপ অসিগী থৌমীশিং অমদি ফ্যুচর এক্টরশিংগা লোয়ননা কেক্রুপাৎতা লৈবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী মংফম্বুলু-নান্না থম্নবা সোসল সার্বিস তৌখ্রে।

জুন ১৮গী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী লৈতাফম ওইরিবা কেক্রুপাৎতা পাঙথোকপা সোসল সার্বিস অদুদা ওল মণিপুর ফিল্ম মেকর এন্দ প্রোদ্যুসর এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ কিশ্বরকুমারনা হায়খি, মণিপুরী ফিল্মগী আর্টিষ্টশিং মশীং হেন্না পুথোক্নবগীদমক্তা 'ফ্যুচর এক্টর' হায়না মিংথোনবা নুমিৎ ৫নি চুপ্পা চথরকপা ফিল্ম ৱার্কশোপ অসিগী ঙসি অরোইবা নুমিৎনি। ফিল্ম কুম্বা অমদি আর্টিষ্ট অমা ওইবা হায়বসি মরৈবাক নীংবা অমসুং নুংশিবগী ৱাখল্লোন চেনবা মথৌ তাই। মরম অদুনা ঙসি অসিগুম্বা অথৌবা-অথৌবীশিংগী য়াতাফম অসিদা সোসল সার্বিস অসি পাঙথোকপনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ৱার্কশোপদা শরুক য়ারিবা এক্টরশিংসিগী প্রিলিমিনরি রাউন্দ হয়েং পাঙথোক্লগা এক্টর নুপী ১০, নুপা ১০ খনগৎলগা জুন ২দা মেগা ফাইনেল ওইনা এম এফ দি এস হোলদা পাঙথোক্কনি। মদুদা নুপা অমা নুপী অমা খনগৎলগা ফ্যুচর এক্টরগী টাইটেল পীবগা লোয়ননা কেস প্রাইজ লুপা লীশিং ৫০ পীগনি।

দেপ্যুটি সী এম...

লামায় ১গী মখা... জি এস টি কাউন্সিলবু ইন্দিয়াগী অহানবা ফেদরেল ইন্সটিট্যুসননি হায়না পল্লদুনা দ্রাবুনা হায়খি, ইন্দিয়াদা লেটরেল ফেদরেলিজমগী মরু হুনবা হৌরে হায়না লৌবা য়াই। খ্বাইদগী অহানবা ওইনা ষ্টেটশিংগী মরক্তা অমনা অমগী মতেং পাংনবগী থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। মতৌ অসুম্না ক্লাসিকেল ভর্টিকেল ফেদরেসনদগী হোরাইজেন্টল ফেদরেসন লোমদা মায় ওনশিনবা হৌরক্লে। এজেন্সিগী পাউনা হায়, জি এস টি কাউন্সিলনা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা ঙরীদগী চাদা ৫ গী চাংদা টেক্স লৌনবগী মতাংদা ৱারেপ লৌখি।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ পব্লিক ফাইনান্স এন্দ পোলিসীগী প্রোফেসর এন আর ভানুমুর্ত্তিনা হায়খি, জি এস টি কাউন্সিলনা মরম ওইরগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগী মরী হেন্না চেৎশিলহল্লগনি। ষ্টেটশিংগী মরক্তসু অমনা অমদা মতেং পাংনবগী চৎনবী অমা শোয়দনা লৈরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ২৭-০৫-২০১৭, থাংজ, ইঙাগী নীনি পানবা, নুমিদাংগী পুং ৫.৫৭ তগী হুম্নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি অৱাং, নুমিদাংগী পুং ৫.৫৭ তগী মৈরম।

মেষ ঃ মীনা নুংশিবীবা, মরী মতাদগী নুংঙাইজবা পাউ লাকপা, ইচা-ইনাওগী মতেং ফংগনি।
লাল্লোল ঃ মীনা শক খঙবীবা, চাউখৎপা লৈগনি।
পাখং-লৈশা ঃ তিন্নবা নুপীদগী কান্নজবা লাক্কনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরীদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

বৃষ ঃ নিংবগা তৌবগা খেন্নগনি, নুংনাংবা লৈগনি, মচাক-মরাল চঙবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ অরঙবা পোৎ চৈদা কান্নজগনি, থবক মফম চাউখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ নীংবা থুংগনি, লৈরাং লৈনম লৈগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙদা, ঈশিং মরীদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

মিথুন ঃ অকাওবা পীবা, মথক থোংবা মীওইদগী খঙহৌদনা কান্নজবা পীরকপা, লম চৎপা পীগনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎকনি, য়েক্নবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লৈতাফম খঙলোই।
হকচাং ঃ মীৎ, মৈগী শাহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

কর্কট ঃ চরক চহিংনবা লৈগনি, খঙহৌদনা শেল চৎননবা মরম অমা লাকপা, মখা থাবগা শাউনবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ চরাংনবা লৈগনি, চাননবগী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পূক্লিং লাংগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, ঘী।

সিংহ ঃ লাংতক্নবা, পোৎমাঙ-চৈমাঙ লাকপা, থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা লৈ।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী পোথোক্তা চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ ঈকায় নুংশি য়ান্নগনি।
হকচাং ঃ কোক মায়দা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, চীনি অঙৌবা।

কন্যাঃ খল্লগা পাঙথোকপা ঙমদবা পীরি, শাউনিংবনা অকায়বা ওইরকপা লৈগনি, লমদা চৎপা লৈ।
লাল্লোল ঃ মাঙবনা হেল্লি, চীঞ্জাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অশাউবা মাঙওইনৈ।
হকচাং ঃ শরূ, শিংলিদা নুংঙাইতবা।
কোকচনবা পোৎলমশিং : থোইদিং অমুবা, লৈ অমুবা।

তুলাঃ থবক্তা চাউখৎপা লৈগনি, শেল চৎপা হেনবা, নুংনাংবা পীবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ য়েক্নবা য়ামগনি, অরূ-অনানগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মুক্নবা লাক্কনি।
হকচাং ঃ ঙক, খৌরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

বৃশ্চিক ঃ অৱা নুংঙাই য়ান্নগনি, য়ুমগী থবক্তা পুক্নিং লাংগনি।
লাল্লোল ঃ মৈগী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লাপ্পনম্বনা নকশিন্নগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চা-চন্দন, ।

ধনু ঃ অপান্বা থবক্ত অয়েৎপা লৈ, মথক থোংবগা মুক্নবা, খোইশাওনবা পীবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ থবক্তা অহোংবা লাকপা, হীদাক্কী থবক চানৈ।
পাখং-লৈশা ঃ পূক্লিং লাংবা, ঈকায়বা নংগনি।
হকচাং ঃ মচেক ময়া পানবগী শাহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, লৈ হিগোক।

মকর ঃ চরাংনবা লৈগনি, অকাওবনা পোৎমাং-চৈমোংবা লাকপা লৈ, পূক্লিং ফাথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা, হীদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চানবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

কুম্ভ ঃ তৌজরুবা থবক্তা কান্নজগনি, মীনা সন্মান তৌবীবা, নুংশিবীবা ওইগনি, শেল চৎকনি।
লাল্লোল ঃ অনৌবা থবক লাক্কনি, সনা-লুপাগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

মিন ঃ মথক থোংবনা চানবীবা, তৌরুবা থবক্তা কান্নজগনি, মরূপ মপাংগী নুংঙাইবা পাউ লৈগনি।
লাল্লোল ঃ সনা লুপাগী, ফিরোলগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ কোক, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।